# ফোনগা পায়নীংলক্ক্রেদা!

মতম মতমগী

গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

মোবাইল ফোনগা পায়নীংলক্ক্রেদা, ফেসবুক অমসুং য়ুট্যুবকী ডাক্তর ময়াম অসি উনি খনবদা ফোনগা য়েংনীংদ্রে। কয়াদি য়াম্লে ফোনগী ডাক্তর ময়ামসে, মশীংবু থিবা ঙমদ্রে। উনা অমা পায়রগা লায়না অদু ফৈ, মরূ মরাং খরা পায়রগা অদুগা অদুগা তিন্নরগা ঈশিং কপ অহুম/মরিদা ফুৎলগা মহী অদু অয়ূক্তা গ্লাস অমমম থকপদা অদু ফনি, অদা ফনি কয়া কয়ানি। ডাক্তরগী ডাক্তর ঙাক্তা ঙাইরে, চহী মঙা তরুক চঙনা তমদুনা স্পেসিএলিষ্ট, সুপর স্পেসিএলিষ্ট কয়ানা মতম চঙনা লায়েংবদা ফবা ঙমদ্রিবা অনাবা কয়া মনা-মশিং খরনা, মরূ-মরাং খরনা ফহনবা ঙম্মী হায়বা য়াম্না থাজহন্দুনা হায়রকপসু য়াওরি। হন্দক্তসু অসামগী মফম অমদা ওইরমান্নে উনা অমনা লায়না কয়া ফহল্লি হায়দুনা উনা মচেৎ অমা ফংহৌনবা মীনা কৃক-কৃক ইন্নখিবগী ভিদিও অমা ভাইরেল চৎখি। মমাঙদসু চুড়াচান্দপুরদা অহিং হৌরগা হীদাক লৌনবা চৎখিবগী ৱারীসু লৈখ্রে, ৱারী নত্তে অশেংবনি ঐনা মশক খঙবা মীওই কয়া লৌরুদুনা থকখিবসু থেংনখ্রে। হোয় খরমখৈ চুল্লম্বসু য়াই, লোইনমক অরানবনিসু হায়জরোই, লমদম অসিদা মেদিসিনেল প্লান্ট কয়া হৌরি হায়বদি থিজিল্লোই কয়ানা থিজিন্দুনা হায়রকখিবসু লৈখ্রে। অদুবু অদুগুম্বা হীদাক ওইবা য়াবা, মেদিসিনেল ভেল্যু ৱাৎনা য়াওবা পাম্বীশিং অদু হেল্লগা রো ওইনা হেক্তা চারগা লায়না খুদিংমক হেক্তা ফহনবা ঙল্লগদ্রা? হেনমন্দ্রা হায়বনিদা?

লমদম অসিদা লৈরিবা মশীং য়াম্লবা লৈঙাক্কী লায়েংশঙশিং অসিগী মথক্তা মফম খুদিং শিনবা থুংনা লিংখৎনরক্লিবা মশীং থিঙমদ্রবা প্রাইভেট হোস্পিটাল, ক্লিনিকশিং অমদি মফম খুদিংমক্তা হাংদোক্নরক্লিবা হীদাক য়োনফমশিং অসি উরুরগদি লমদম অসিদা নাবগী চাং অসি ৱাংলে হায়বদি কক্লুবা য়াদনা চুল্লগদবা ৱাফম অমনি। অরু অরুবা মমিং পনবদা অকিবা পোক্নরিবা লায়না কয়াগা লোয়ননা মখল কয়াগী অনাবগা শাগোন্নদুনা হিংবা মীগী মশীং য়াম্না লৈরিবা লমদম অসিদা ফেসবূক অমদি য়ুট্যুবতা ডাক্তর শাদুনা লায়না কয়া ফহনবা ঙম্মী হায়না থাগৎলক্লিবা অসি অচুম্বা খোঙথাং ওইগদ্রা? চমজরবা মীওই কয়া মসিগী ভিক্টিম ওইরম্লোইদ্রা? অনাববু ফনীংদবা কনা লৈরমগনি? ডাক্তরনা খূৎ থারবা ফগৎলক্লবগী আশা লৈত্রবা, শিবগী মতম ঙাইদুনা লৈরিবা মীওই ফাওবনা য়েংনীংলমগনি। হোয় মখোয়না লাইবক য়েংবনা য়েংবনি, চারবসু চান্দ্রবসু শিবা হায়বদু শোয়দ্রবনি। করিগুম্বা লাইবক্লা চানরুদুনা ফগৎলক্লগনা অনৌবা মপোক অমা ফংলে হায়না লৌরবসু য়াই। মদু নত্তনা ডাক্তরনা লায়েংলগা মখোয়গী পাউতাক্কী মতুংইন্না হীদাক চাং নাইনা চারবদি মতম খরা চঙলবসু চঙনা ফগৎলকপা য়াবা অনাবা কয়া ডাক্তর শাবশিংগী পাউতাক্তা থাজদুনা মখোয়না হায়বা মনা মশিং, মরূ মরাংনা শেম্বা হীদাক চারুবদগী দষা তাখিবা কয়া অমা য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

ৱারেংজরিবনা থেংনখিবা থৌদোক অমগী ৱারী মতেক অমত্তং থমজগে, ঙসিদগী চাওরাক্লা চহী ৬০ মুক্কী মমাঙদা কোলেজ তম্বদা খঙনখিবদগী হৌজিক ফাওবা ফেমিলি ফ্রেন্দস ওইনা লোয়নরকখিবা মরুপ অমা লৈ, মমিং মথা ফোঙদোকচররোই। হৌজিক ফাওবা তিন্নরবসু শিনফম মান্নদবনা তোয়না উন্নবদি নত্তে। মরক মরক্তা ঐনা চৎলগা উন্নবনি। ঐঙোন্দগী মহাক্লা চহী অহুম/মরিরোম হল্লি, অহল মতম ওইশিল্লকপগা মহাক্তি দরকার লৈত্রবদি ঐগীদা ইলাক লাক্তে। থামুক্কী মমাঙদা নোংমা চৎলুই মহাকসু ঐগুম্না ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী অনাবা শাগোন্নবনি। বি পি ৱাংবগী মথক্তা পোৎহাপ ওইনা মঙোন্দা সুগর ৱাংবগী অমদি ঐঙোন্দনা হার্টকী প্রোব্লেম অমমমসু লৈবনা উন্নবগা অহানবা ৱাহংসি মহৌশাগী মহৌশা হকচাংগী মরমদা ওই। নুমিৎতুসু কমদৌরি, হকচাং নুংঙাইরিবরা হায়বসিনা ওই, পাউখুমসু তাবা নুংঙাই, নুংঙাইরি বি পিকা নোর্মেল তারে, গুলিকা অমত্তা চাদ্রে হায়রকই। কমদৌনা নোর্মেল তারকপনো? হায়না মখা তারুবদা ফেসবূকতা নোংমা বি পি কন্ট্রোল তৌনবনি হায়বা মনা অমা থেংনৈ, মদু চাবদগী ফরে হায়রকই। পাম্বী অদুগী মমিংসু মহাক্লা হায়খিবনি, নীংশিংবা ঙমদ্রে, ঐনা খঙবা পাম্বীসু নত্তে। তৌরুনু তৌরুনু মদুদা থাজবা থম্লুনু, ডাক্তর অমদা য়েংলগা গুলি চাং নাইনা চাও হায়রুববু, ঐনা হায়বদু তাদে, তারোই হায়ববুদি খঙই, নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা মীনা ঙাঙবা কয়া তাদবনি, মানা নীংবা অদুম তৌবনি। ঐনা হায়বদু তাবগী মহুত্তা ঐবুসু চাওদুম হায়রকই, খুইরি খুইরি তৌবা মনা খরসু পুথোরক্তুনা য়েংহল্লি। মখা তারুদ্রে নুমিৎতুগী ওইনা কায়নরে। মতম খরগী মতুংদা নোংমা ফোন তৌরুবদা গুৱাহাটিদগী পাইরকই, গুৱাহাটি য়ৌরে হায়রকই, মরম হংলুবদা ষ্ট্রোক তৌরক্তুনা লায়েংলি খরা ফরে হায়রকই। করিগী হোস্পিটালদা লায়েংলিবনো? মনা মশিং চাং নাইনা চাও মদুনা ফজনি, হায়নীংবনি অদুবু করেম্নবনি হায়না খনখ্রনি খন্দুনা মদুমক্তি হায়রুদ্রে। ময়ূমদা থোরক্লবা মতুংদা নোংমা চৎলুই, তাঞ্জা য়েংলগা মনা-মশিংশিং অদু লৈত্রবরা, খরা লৌগে হায়না লাক্লিবনি হায়রুববু ইকায়বা পীরনু মনা মশিংনা য়াবা নত্তে, শিবু শিরমগনি হায়রকই।

মহাকখক্তা নত্তনা অতোপ্পা মীওই কয়া অমা ফেসবূককী ডাক্তরশিংগী ভিক্টিম ওইরমগনি। লমখাঙদা মপূন্সি লোমখিবসু য়াওরম্বা য়াই। হৌজিকসু থাগৎলকপা লেপত্রি, মখল মখলগী মনা মশিং অমদি উহৈ কয়া উৎতুনা লায়না কয়া ফহনবা ঙম্মী হায়না ক্লেম তৌরি। ইকুই কুইদ্রিঙৈদা অনৌবা পোষ্ট অমসু থেংনখি, উহৈ খরা উৎলগা মেদিসিনেল ভেল্যু য়াম্না লৈবা উহৈনি, লোক খুবা য়াওনা লায়না কয়া ফহনবা ঙম্মী হায়না থাগৎলকপনি, লোইশিল্লকপদা করি উহৈ মাল্লি ময়াম মমিং খঙবা য়াওরবদি হায়বীরম্মু হায়। মশক মমিংসু খঙদবা পোৎশক অমবু লায়না কয়া ফহল্লি হায়না থাগৎলকপসিবু হৌনবরা হায়বা? মশক খঙদ্রবদি থাগৎলক্কনু হায়নীংলকপনিদা।

নহানসু অমা থেংনৈ কনানা থাগৎলকপনো হায়বদুমদি নীংশিংবা ঙমদ্রে, হৌরকপদা য়াম্না ফজৈ "ঙসিদি ময়ামদা কান্নগদবা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমা হায়জগে লোইবফাও য়েংবীয়ু' হায় অদুগা মহাক্লা হায়গে হায়রিবা অদুদি শুকহায় হায়দনা অতোপ্পা (ৱারেম হায়বা তারে) ৱাফম ময়াম অমা ঙাঙদুনা লৈবা, করি হায়রক্কদৌরিবনো হায়বদু খঙনীংদুনা ফনা কুইনা য়েংলম্বনি, হায়মল্লক্তবদগী অদুম মূখৎলে। মসিবু হৌনবরা হায়বা? মহাক্লা হায়নীংলিবা ময়ামদা খঙহন্নীংলিবদু মতম মাঙহন্দনা হায়বা য়াদবরা হায়বা? ঙসিদি মোবাইল ফোন পায়বসি বি পি ৱাংখৎহন্নবগী মরম অমা ওইরে।

হৌজিক্কী মতমদা মোবাইল ফোনদি মীপূম খুদিংমক্কী ফুরিৎখাওদা য়াওরবনিনা তৌনীংবা তৌবা, হায়নীংবা হায়বা মতমগী ভেল্যু খঙদবা মীগী মশীংসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। কনানা ৱারক্লুনি? থাগৎলু, থাগৎনীংবা পোষ্ট, থাগৎলু থাগৎপদা অকায়বা লৈতে। ফেসবূক, য়ুট্যুব লমদম অসিখক্তগী নত্তে, মালেম শিনবা থুংনা পায়নরিবনি, থাগৎনরিবনি। ফজ ফজবা ৱাফম, মীপূম খুদিংমক্লা তামিন্নবদা অকায়বা লৈতবা, য়েংমিন্নবা য়াবা, পূম্নমকপু কান্নবা পীগদবা পূক্লিং লৌশিং ওইগদবা, মীওই কয়াবু মিৎশিং নাশিংহনগদবা ৱাফমশিং থাগৎলু, খঙলমদবা মীওই কয়াবু খঙহল্লু মহয় ওইনি, মদুদি নত্তনা ইমুং মনুং পূন্না য়েংমিন্নবা য়াদবা পিকচর, তামিন্নবা য়াদবা ৱাহৈ ৱাতা থাগৎপনা করিবু কান্নরিবগে? শেমজিন শাজিনবা অরানবা ঈ-পাউ থাগৎতুনা অতাবা অউবা মীওই কয়াবু লান্না লমজিংবদুদি অফবা থৌওং ওইরোই। চাবা থকপগী মতাংদসু মওং মরীল তাদবা, অতোপ্পা কম্যুনিটিগী মীওইশিংনা উখিবদা লান্না লৌখিগদবা, থাগৎত্রবসু য়াবা পোষ্ট কয়া অমা থাগৎনরি। ঐহাক ইশাবুদি য়েংদে, য়েংনীংদবশিং ব্লোক তৌশিল্লি, অতোপ্পগীদি ঐহাক্লা ব্লোক তৌরুবা য়াদবনা উরমগনি খল্লুবদা নুংঙাইতবগী ৱানিদা। করিবু কান্নরিবগে? থোংবা থাকপগী মতাংদা থাগৎলকপদা অকায়বা লৈতে থাগৎপীয়ু, অতোপ্পা ফূরুপকী মীওইশিংনসু থাগৎনরি। য়ুট্যুব য়েংলগা ঐখোয়না চারমদবা, খঙলমদবা এঞ্জাং কয়া থোং থাক্তুনা চানরি। অদুবু য়েংবদা নুংঙাইতবা অতোপ্পা জাতিগী মীওইশিংনা উখ্রগা ঐখোয়বু হন্থনা লৌখিগদবা মওংদুদি উহন্নীংদে। হৌজিক্কী চাওখৎপা তান্নরিবা মতমসিদা অতোপ্পনা উখ্রগা হন্থনা লৌখিবা য়াবা পিকচর, ভিদিওদি থাগৎহন্নীংদে। টেবলদা লা লাতোন অমা থারগা চাক অমদি ওকশা মতুম পৈ-মখৈ হাপ্লগা মশাদা ফুরিৎ ফাওবা লিত্তবমখৈ মখায়াৎতু শেগাইবমখৈ নম্বদুবু করিদা ফজরিবগে? অতোপ্পা কম্যুনিটিগী মীনা উখ্রগা ঐখোয়বু করিনি হায়না খনখিগনি? ঐখোয় মীতৈ ফূরুপতি অয়াম্বনা চাবা থকপদা লূ-নান্না ফজনা লেম্না চানবা কাঙলূপনি, এঞ্জাং মথেল য়াম্না চাজদ্রবসু তরূ-তরু চাবনি। মীওই খরনা ফেসবূক অমসুং য়ুট্যুবতা য়েংবা নুংঙাইতবা ভিদিও থাগৎতুনা পূম্নমকপু চেন্থবগী থৌওং অসিদি তৌহন্নীংদে। য়েংবদা হেন্না নুংঙাইরক্লিবদি মৌনহা য়াওনা লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নুপীমচাশিংনা লম্বী লম্মাং, শুমাং মাঙ্গোলদা ঈশৈ থারগা মশাগী শাথেক উত্তুনা মনীং মমাঙ নীকথবগী ভিদিও থাগৎনরক্লিবা অসিনি। লমদম অসিগী নহা ওইরিবা নুপীশিং (লোইনমক নৎত্রবসু) খরদি ঐখোয়গী মমাঙঙৈগী মীতৈ চনুদু মানশিল্লক্ত্রে, অচৌবা অওনবা অমা লাকখ্রে। মমাঙঙৈদা নুপীমচাশিং লৈশা পুঙকক ফারকপদগী ফি ইন্নরম্মী মদুগী চৎনবী ঙসিদি মাঙখ্রে। মৌ ফাওবা মঙক্তা ফি য়ানবা নত্তনা ইন্নফি ওইনদি ইন্নখিদ্রে। ফি ইন্দবখক্তা নত্তনা মশা থুংনা কুপ্তবা ফিজেৎ-ফিকাই শেৎলগা নম্বা ভিদিও কয়া ফেসবূক, য়ুট্যুবতা ৱাই চাইরক্লিবা অসিবু অফবা খোঙথাংনি হায়না লৌবা য়ারিবরা? মসি পূম্নমক অসি উরুবদা মোবাইল ফোনগা পায়নীংলক্ক্রেদা। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ১০

– হৈস্নাম শ্যাম মঙাং –

অহিংবা খোনগী মাইলুম/মরুম অদুখক ওইরম্বা হায়বদি 'থংৱাই মাইঙাক মীকাং থানাই তমলুম' হায়রিবা অসিখক ওইরম্বা মী মহাক অদুনা অরেংবা অচৎপা ওইরকপবু 'থংৱাই মাইঙাক মীকাং থানাই তমলুম মীলেংকাং থালাই তমলেং' হায়না কৌনবনি। অহিংবখক ওইরম্বা মী মহাক অদুনা (মী) অচৎপা অলেংপা/অরেংবা (লেং) ওইরক্লবা মতুং মহাক্কী থম্মোয়নুংগী ঈনা কাংলক্লিবা (কাং) অদুগা কোকনুংগী কাচিনগা থানবা (থা) লাইরকপদগী (লাই) হায়রিবা কাচিন অদুদগী খোনগী মাইলুমনা তমলক্তুনা (তম) লেংথোরকপা (লেং) অদু 'মীলেংমাং থানাই তমলেং' কৌনবনি। অসিগুম্বা 'থংৱাই মাইঙাক মীকাং থানাই তমলুম, মীলেংকাং থানাই তমলেং' (থৱাই মঙা মিগা থানা তরুক, মিলেংগা থানা তরেৎ) অসিবু মচু তরেৎকী ফিরাল অসিনা মহুৎ শিন্না খঙনহল্লিবনি।

য়েন তমলেং (য়েক তরেৎ) ওইবগী চৎন কাঙলোনবু ঙাক্লা চৎলিবা মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপ্পা মথক্তা পঞ্জখিবা 'থংৱাই মাইঙাক মীকাং থানাই তমলুম, মীলেংকাং থানাই তমলেং' হায়রিবা অসিবু য়ূম্বানলোনগী মনুং চন্না নোংমগী শোইফদবা অমা ওইনা শোঞ্জদুনা হিংলকপনা মরম ওইদুনা, তোঙান তোঙানবা মশক শক্তম, শকওং শাদা, কুচু কুমেননচিংবা লৈবা মী কাঙলূপ হায়বদু ওইদুনসু, হায়রিবা মান্নদবা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপ অমমমদা চংশিন দুনা লৈরিবা মথক্তা পঞ্জখিবা থংৱাই পোৎচাক মঙা অদুদি চপ মান্নবনি, মখোয়শিং অদুনা অমগা অমগা থানরকপনা মরম ওইদুনা মী মহাক অদুনা অহিংবা, অচৎপা অমদি অলেংপা ওইরকপগী থৌওং অদুসু অমত্তনি হায়বা খঙলক্তুনা হায়রিবা মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপ অসিনা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপশিং অমদি অতোপ্পা থৱাই পানবশিংবু নুংশিবা অমদি লুম্না খঞ্জবগী হৈনবী লৈরকই হায়বসি ঈলৈপাংচাশিং, ঈলৈপাকসিগী ৱাংমদগী চংশিল্লক্লিবশিং লোয়ননা ঈলৈপাক অসিগী ৱাংমদা লৈরিবা শা অমদি শাহিং ঙাহিং চাবা অনীগী পুকচেল চেল্লিবা লুচিংবগী শকলোন লৌরিবশিংনা খঙবীগদবনি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক লৈবাকশিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপশিং মরু ওইনা লৈবাকশিং অদুদা লৈরিবা লুচিংবা মানবশিং, লৈঙাক্লোই মানবশিং, মরু ওইনা মখোয় মখোয়না ঙমগদবা মতু শোনবা অপীকপা লৈবাকশিং অদুদা লান তাশিন্দুনা মরাল লৈতবা মী কয়া হাৎতোকপীরিবা, অনা লায়েংশঙ তোঙান তোঙানবা মখলগী কন্সত্রক্সন কয়া অমাঙ অতা থোকহল্লিবা, মীগী লমবু খুদুম চনশিন্দুনা মখোয়গী ওইনবা হোৎনরিবা, মরাল লৈজদবা মীশিংবু চাবা ফংহন্দ্রিবা, লৈবাক মশা মনুংদা য়াওরিবা অপীকপা লৈবাক অমদা টেররিষ্টশিংনা টেররিজমগী থবক পাঙথোক্লকপা মতমদা তূমিন্না খঙশিন্নদনা লৈরগা মালেমগী লৈবাক অতৈগী মমাঙদনা টেররিজম মূখৎকদবনি কায়না লাউরিবা অমদি ঙাঙ শক্লিবা অসিনচিংবশিং অসিদা শরুক য়ারিবা অমদি থৌদাং লৌরিবা লুচিংবা অমদি লৈঙাক্লোই মানবশিং অদুনা ঙাঙন-শক্লরিবা মখোয় মখোয়গী তোঙান তোঙানবা লোলশিংদা মথক্তা পঞ্জখিবা থৱাই পোৎচাক মঙা অদুনা চংশিনখিবনা মরম ওইদুনা থৱায় পোৎচাক মঙা অদুনা অমগা অমগা থংদোক থংজিন তৌনদুনা (থং) অমদি অমগা অমগা অমুক ৱাইথোক ৱাইশিন তৌনদুনা (ৱাই) মায়োক্নরকপদগী (মায়) অমনা অমবু ঙাকথোক ঙাকশিন তৌনরক্তুনা (ঙাক) ওইরক্লিবা মী মহাক (মী) অদুগী থম্মোয়নুংগী ঈনা কোকনুংদা তম্লক্লিবা (তম) অহিংবা খোনগী মাইলম/মরুম (লুম) অদুগা লোইনরিবা মী মহাক অদুনা ৯মী) অচৎপা অলেংপা/অরেংবা (লেং) ওইরক্লবা মতুং মহাক্কী থম্মোয়নুংগী ঈনা কাংলক্লিবা (কাং) অদুগা কোকনুংগী কাচিনগা থানবা (থা) নাইরকপদগী (নাই) হায়রিবা কাচিন অদুদগী খোনগী মাইলুমনা তম্লক্তুনা (তম) লেংথোরকপা (লেং) হায়বদি - থংৱাই মাইঙাক মীনাং থানাই তমলুম মীলেংকাং থানাই তমলেং' অসিবু শৈরেংগী মওংদা হন্দোক্তুনা নোংমগী মনুংদা লৈরিবা মখোয় মখোয়গী তুমলমদাই খুদিংদা শোয়দনা নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা শোঞ্জরবদি মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপশিং অসি মখোয়গুম চপ মান্নবনি খঙলক্তুনা মীনুংশি (মীনুংশিন) পোক্লক্কনি। লোয়ননা অতোপ্পা থৱায় পানবশিংবু নুংশিবগী লাকচেন চেন্নরক্লি হায়বসি য়েংমিন্নবা অমদি চাংয়েং তৌমিন্নবা য়াই হায়বগী পাউজেল মচু তরেৎকী ফিরাল অসিনা মালেমদা পাউজেল্লিবনি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্বু (লৈ) ঙাকপী শেনবীবগা লোয়ননা (ঙাক) মীয়াম অদুবু নুংশি মিৎয়েংগা লোয়ননা লোয়নবা ঙম্বা (লোই) অদুবুনি 'লৈঙাক্লোই' হায়না কৌনগদৌরিবসি। অমুকসু, লৈবাক্তুদা লৈরিবা মীয়াম্বু লুম্না খঞ্জবগা লোয়ননা (লম) মীয়ামদুগী ৱাখল্লোন ওইবশিংনা কোকনুংদা চিংশিনবা নাইরক্লিবা (চিনশা) মহাক অদুবুনি লুমচিনপা (লুচিংবা) হায়না কৌনগদৌরিবসি।

অহুমশুবদা, তাইপক মী (তাইবঙ মী) অমদি শা-উচেকশিং মরু ওইনা মখোঙ মরি পানবা শা মখলশিং হায়রিবশিং অসিগী কোনুং অমদি থম্মোয় মনুং অনীগা চেন্থোক চেনশিন অমদি ফাওদোক ফাওজিন য়ানবা হায়রিবা কোং অমদি হকচাং অনীগী মপান থংবা শরুক্তা নপ্তুনা পাল্লিবা অহোবা মখুল তরেৎ হায়বদি নাকোং মখুল অনী, নাতোন মখুল অনী, খোন থোকফম মচিনগী মখুল, নুপা ওইবগী তাইপক মরু থোকফম মখুল নৎত্রগা নুপী ওইবীগী তাইপক মরু হুনফম মখুন অমদি অমাংথোঙ মখুন হায়রিবা মখোয় তরেৎ অসিবু খোনলম তমলেং (খোংলম তরেৎ) হায়না কৌনবনি। মখোয় তরেৎ অসিবু পাখংবগী খোনলম তমলেং হায়না মিংথোনবা য়াগনি। অসিগুম্বা খোনলম তমলেং অসিবু মচু তরেৎকী ফিরাল অসিনা মহুৎ শিন্না খঙহল্লে।

থৱায় পানবশিংনা মহৌশাদগী লোয়নরক্লবা খোন মাইলম (গ্রামাটিকেল্লি সাউন্দ ওর ষ্টাইএবল) ওইবশিংনা হকচাং কয়াৎনুংগা পক্নরিবা/লোয়নরিবা ঈ ওইবশিংগা ঈরোয়ননা চেন্থোক চেনশিন শান্নরিবা অদুগী হায়বদি খোনচেন খোনথোক ওইবশিং (খোন) অদুগী মাইলম/মরম ওইবশিং (লম) অদুনা অমগা অমগা তমথোক তমশিন তৌনরকপনা মরম ওইদুনা (তম) থৱায় পানবা অদুনা অহিংবা অলেংপা ওইরকপা (লেং) অদুবুনি 'খোনলম তমলেং' (খোংলম তরেৎ) হায়না কৌনগদৌরিবসি। থৱায় পানবা অমমমগী শা হকচাংদা নপ্তুনা পাল্লিবা অদুগুম্বা খোনলম তমলেং (খোংলম তরেৎ অদুদা খোন ওইবশিংনা চংথোক চংশিন তৌবা লেপ্তুরিবমখৈ থৱায় পানবা মহাক অদু অহিংবা কৌনগদৌরিবনি। ●

(মখা চত্থজরকখিগনি)

# লাইমু

(লমায় ৪গী মখা...) ইঙোচাগী মমায় মপাদা লম্বী লাল্লগা শেরেৎ লাউবা পোৎশক অমনা হু লাউনা হুম্মগা লম্বী লান্না পাইখ্রগা পুদ্রুপ লাউনা লৈপুংখাং মরক অমদা তাশিনখিবদু। মতাংদুদা মানা মখোঙ থাংবা খংলেপ লেপথোকখিবা অদুফাওবদংদি ইঙোচা ৱাখল মাঙদ্রি। মমিৎ মনা ওনখৎলদুনা মহাক লম্বী মপালগী নাপী ওইরপ্না দোম লাউনা হাইথখ্রে।

মতম অদুদা য়ু ঙাওবা পাখং অনী গাড়ীমচা মৈ ঙান্না থাল্লগা লম্বী অদোমদা থৌরকই। ইঙোচানা লম্বী মতাইওই করিওই নাপী মরক্তা লোংনা মখোঙ শাংনা তিংথোক্লগা ৱাখল মাঙলগা তারগা লৈবদু হেক উবদা মবানীসু খংপ্রেক খংই। গাড়ী খাল্লগা তারিবদু মীনি শ্বরফাওদি হোল্লিনা শিদে হায়বা খঙলকপদগীদি গাড়ীদগী ফন ফন চোংথনদুনা তাইঙোচানীনেহে হায়রগা ইঙোচাবু অমনা তাপ কোনখৎপীরে। অমনা নাকল খাউদগী ঈশিং লিক্লি লৌথোক্তুনা লৱাই লেম্ফুদা চোপ চোপ য়ৈবীরে। মখোঙ মখূৎ ফজনা নোইবিরে। ইঙোচা তপ্না তপ্না ৱাখল লাক্লে। মমিৎ পাঙথোরক্লগা মাবু কনবীরিবা মীশিংদু উরুবদা অমুক্কসু ওইনাম হনুবীরা হায়দুনা হংলম্লগা ৱান্থখ্রে। মবানীনা কন্না লায়কন্নরবা মতুংদা ইঙোচা ৱাখল তপ্না অমুক লাক্লে।

"তাইঙোচা ঐখোয়নি পাখৎপীগনু। ঐখোয় চাক চানবা য়াওমিন্নরিবদুনি। নঙদি থিনবীগেদি য়াদেদো নথন্তা চৎখ্রে।"

ইঙোচা মঙক নোম্মী। মহাক ৱাখল লাক্লে, কিবা ফরে।

"করিনো, কমাই তৌবনো, ইয়াম্বা" নহা অনীদুনা হংলকই। ৱাহং পাউহং কন্না তৌনরিঙৈনি তুংলোমদগী অহল অমনা মখোয় অহুমদুদা হংলকই, 'কনা কনানো শ্বাইদা মখে লাংলিদো হা, শ্বাইদা কৈদৌ লাঙলিনো য়ৈয়ুরা হা শিদ্রুখাকশা?"

"ইয়াম্বা ঐখোয়নি অহল অমা ৱান্থরগা তারম্লে।"

"কদাই কদাই? নখোয়গী গাড়ীনগা থোমদৎপদি নত্তেকো?"

"নৎচদে অহল।"

মখোয়না মোবাইল ফোননা মৈ কাপ্লগা মুন্না য়েংশিল্লুবদদি ৱা হংলরিবা অহল অদু গঞ্জা কোমোল ওইদুনা লৈরম্লে। মখূত্তা গঞ্জা কংক্র অমসু ঙান্না পায়রক্লি। মহাক অসি য়াম্না থেঙবা ফাওবা গঞ্জা ফানবা মীনি। নুপামচা অনীদুনা ইঙোচাগী মফি মরোল উফুল পকপা কন্থোকপীরে। ইঙোচা নীংথিনা লৈবাক্তা ফম্লগা মানা ৱান্থবগী ৱারী নুপা অনীদুদা লীরি,

"ঙসিগী মতৌ অদু শোয়দনা ওইনাম হনুবীনা তৌরকপনি, ইনাওশা। মানা ঐগী মাঙদা শম্মগা হুং লাউনা পাইবোই তৌরগা লম্বী মতাই অসিদা লৈপুংখাংঙা মরক্তা পাকথরগা হেক্তা লোৎখিবগী ৱানি। ইনাওশা অমুক্তা মাবু থিমিন্নসি।"

গঞ্জা কোমোলনা মনাক্তা লেপ্তুনা ইঙোচাগী ৱারীদু মুন্না তারি। নুপা অনীদুনা মখোয়না পুরকপা গাড়ীগী হেদলাইট অদু নুংথিল পোবোবমুক ঙান্না লৈখৎলগা লৈপুংখাংঙা মরক্তা ঙৌরোক ঙৌনা মৈদু কাপশিল্লি।

"অদো পাইরক্লিবা পোৎতু করিনো ইয়াম্ববু মুন্না খঙবিহৌব্রা?"

"খঙদে, ঐখোয় অমুক্তা পূন্না ফংনবা থিমিন্নসি লাউ। উরগা খঙগদবনি।"

ঙাইহাক থিমিন্নরবা মতুংদা নুপা অমনা পাখৎনা লাউরকই,

"লৈরে লৈরে তু সিদা লৈরে, লাইমুনি, মুশুক মুই, ইয়াম্বা। মশা পীশক পীক্লা নাপী মরক্তা শুংজিল্লগা সিদা লৈরে তু।"

গঞ্জা কোমোলসু ইঙোচাসু চঙশিন্দুনা মখোয় মরি পূন্না পোৎতু মুন্না খঙনীংনা য়েংমিন্নে। নীংশাশ্বরদু গঞ্জা মনম ইচেন চেনবমখৈ গঞ্জা কোমোল অতিয়া পূম্বা কিন্থহনদৌ মখৈ খেক্লা খাক্লা নোক্লকই,

"হা হা হা... হা হা হা।"

"করিগীনো ইয়াম্বনা অদুক হৌনা নোক্লিবা অদুবু?"

"ময়াম্না ৱান্থবীরিবা চেরং লাইমু অসে ঐনা ঙসাই গঞ্জা কোকফাই কাবা খরা থেংনবদা চেরংদা য়োম্মগা লংথোকখিবা লাইমুনি। ময়াম ৱারৌবীবা য়াদে, ইনাওশা।"

ময়াম ৱাখল তানৈ। নুপামচা অনীদুসু গাড়ী মূথৎলগা থৱায় তানা নোকমিন্নৈ। ইঙোচাসু হৌনা নোক্লকই। ঙসিদি গঞ্জা কোমোলনা সাইন্স থাজবা ইঙোচাবু করিম লৈতনা লাকচখ্রে। মসি খল্লুবদা ইঙোচা ময়ূম হেক য়ৌবগা মাগী সাইন্সকী সর্টিফিকেট অদু শেগাইরুরগে খনখ্রে। গঞ্জা কোমোলদি অদুম নোক্ল নোক্লগা ময়ূমদা অদুম হনজিনখ্রে। নুপামচা অনীদুনা ইঙোচাবু গাড়ীদা হাপ্লগা মরক্তা ফমহল্লগা পুবীখ্রে। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৩গী ৱাহং**

১) "নোংলেন অমগী ৱারী" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) "মন্থরবা লৈনাশিংনা কপলি
য়েংলি কিজনা মালংববু
লোৎলি অকংবা মশারক্তা।"

ঈশৈ শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসিগী মমিং ইয়ু।

৩) "চৈনাখোলগী চৈনা" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

৪) "ঐগী নুংশিরবী পোক্লফম লমদম! নঙগী নরাইবক্তা
হৌরিবা উফুল অসি-
করম্বা লৌমীগী লাঙ্গোন উকায়না
লৈতা মান্নহনবদা হৌবা উফুল নত্তে।"

শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) "ভক্ত প্রহ্লাদ চরীত" (১৯৯৩-৯৪) হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।